হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৪৯শুবা মশীং

# পন্থরোইদবা থবক থিন্থহনগনু

## শিমিন্নদ্রিঙৈদা হিংমিন্ননবা হোৎনৌ

কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্লরক্লিবসি কুইরে। মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চ থাদগীনি। চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লে। অহানবা হৌরকপদা হৌজিক মায়োক্লরিবা মীশি-মীনা অসুম্মাইনা মায়োক্লখিদে। চেকশিনবনা হৌজিক থল্লিবা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিদগী হেন্না কনশিনখি। টোটেল লোকদাউনগী অথিংবা ফাওবা নুমিৎ কয়ানি থমখি। মসিনা লায়নাসিবু মায়োক্লনবা মপান্থোংদা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী থবকনি। টোটেল লোকদাউনমক্কী অথিংবা নৎত্রবসু হৌজিক চৎনহল্লিবা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুনচিংবশিং অসিসু লোকদাউনগুম্বনি। শা-ষণগী য়াওনা হীদাক-লাংথকশিং য়োল্লিবা ফার্মাসি, চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োল্লিবা দুকানশিং, বেঙ্ক, এ টি এম, মৈ-ঈশিং, ফায়র সর্ভিস, হীদাক কাপথোক্লবা অমসুং টেষ্ট তৌনবা চৎথোক চৎশিন তৌবা অমসুং ইসেন্সিএল সর্ভিসনি হায়বশিংদা কোমথোক্লিবনি। মসিসু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবদগী লৌখৎলকপা অথিংবশিং কোমথোকপগী থবকনি। নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেস ৪০০/৫০০না খুজিং ওইদুনা হেঙ্গৎলক্লে, শিবগী মশীংসু ৱাংখৎলক্লে হায়দুনা চাদ-থক্তনা লৈবা য়ারোই। টেষ্ট তৌদবা অমসুং হীদাক কাপথোক্তবসু য়ারোই। থবকশিং অসি পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরিবা ষ্টেটসিদা তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা মথৌ তাবা থবক ঙাক্তনি। অদুবু নুংতিগী পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী মশীং অয়াম্বা চাংদগী হন্থরক্তবা, শিবগী চাংসু পূক্লিং লুমনীংঙাই ওইবা চাংদা লৈরক্তবা ফীভমশিং অসিদগী হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা মথৌ তারিবা ‘নীদ ওফ দি অৱর’ ওইরিবসি মীপূম খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা তোয়না হাম্বা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপগী মথক্তা মীপূম তিংনা টেষ্ট তৌথোকপা অমসুং হীদাক কাপথোকপগী থবকসিনি। হায়রিবা থবকশিংসি পন্থরোইদবা অমসুং থিন্থদনা পাঙথোকফম থোক্লবা হৌজিক মায়োক্লরিবা ফীভমশিং অসিগী চপ চাবা থবকশিংনি।

অদুবু থবকশিং অসিদি মপূং ওইনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌরক্কদবা ইনিসিএটিভশিংনি। টেষ্ট তৌবা অমসুং হীদাক কাপ্পগী থবক্তা খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদা অয়াবা পীরবসু অয়াম্বা থৌদাংদি মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেসনা লৌগদবনি। জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস), রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) অমসুং প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর (পি ঐচ এস সী) শিংনা পাঙথোক্কদবনি। পাঙথোক্তে হায়বা নত্তে, পাঙথোক্তুনা লাক্লি, মখা চঙ্খরি। লায়নাসিনা মণিপুরদগী লাপ্পা চৎখিদ্রিবা ফাওবসু পাঙথোকফম থোক্লিবনি। অদুবু হীদাক কাপথোকপদা অহানবদা নোংমদা মীওই ১০০দগী হেন্না কাপ্লোই হায়রম্বদগী হৌজিক ভেক্সিনেসন সেন্টর অমদা মীওই ১৫০ ফাওবা কাপ্লনি অমুক হায়রে। মতাংসিদা হংনীংলিবদি নোংমদা মীওই অসুক্তগী হেন্না হীদাক কাপ্লোই হায়রিবা ৱাফমসিবু হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা হায়বা য়াবা ৱারা? হীদাক কাপ্পা লাক্লিবা মীওই পূম্নমক ফেস মাস্ক উপহল্লগা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকহল্লগা ঙল্লিবমখৈ কাপথোকপা য়াদব্রা? থাসিগী ১২দা পাউচে অসিগী ষ্টাফ ৯ রিমসকী ভেক্সিনেসন সেন্টরদা অহানবা দোজগী হীদাক কাপখি। পূন্না ষ্টাফ ১০ হীদাক কাপ্পনবা চৎপগী মনুংদা ৯ কাপ্লকখিবনি। ষ্টাফশিংদু নুমিত্তুগী নুংথিল পুং ১ তারকপদগী মথং-মথং কাপখিবনি। নুমিৎতুগী ওইনদি হীদাক কাপথোকফম থোকপা মশীং য়ৌনা কাপখ্রে। য়াররোই, মথংগী নুমিৎতা কাপ্লসি হায়রকপদগী নুমিৎতুমক্তদা শোয়দনা কাপ্পীয়ু হায়জরুবদগী কাপ্লকখিবনি। হীদাক কাপ্পীরকখিবা অদুগীদমক্তদি রিমসকী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরকপা ওইরবসু থাগৎনখি। অদুবু লাক্লিবা ৱাহংদি লায়না লাইচৎসিনা হৌজিক ফীভমসি য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা ঙসিগীদি কাপফম থোকপা মশীং য়ৌখ্রে য়াররোই, হয়েং কাপ্লসি হায়বা ৱাফমসিগী চন্নফম লৈহনফম থোক্লিব্রা হায়বসিনি। হায়রিবা ৱানোম্লগা, হায়জ-চৎচরগা হীদাক কাপথোকপগী থবকসিবু অতোপ্পা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদসু তৌরমগদ্রা? মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী মায়কৈদগী কন্ট্রোল রুম অসিগী স্পোক্সপর্সন অমসুং এদিসনল দিরেক্টর শশিকুমার মঙাংনা নুংতিগী থোরক্লিবা চেরোলশিংদদি ভেক্সিন অসিবু কাপ্পা য়ারবা মীওই পূম্নমক রিমস, জেনিমস, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমদি খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীয়ু হায়রি। অদুগা হীদাক কাপফমদনা অহিংদগী ক্যু লেপত্রবা, ৱাচৎ-ৱানোম তৌদুনা হায়জহৌদ্রবদি হীদাক কাপ্পা ফংদবগী ফীভমদা লৈরি। মসিবু থোকফম থোকপা থৌদোক্লা? মণিপুরগী ফর্ষ্ট দোজ কাপত্রিবা হীদাকসি কাপথোকপা য়ারবা মীওইশিং পাক্তক্লনা ঙল্লিবমখৈ থুনা হীদাক কাপথোকহৌফম থোক্তব্রা? অনীশুবা দোজগীসু অদুমঙাই, কাপথোকফম থোকপশিং শিং নান্না কাপথোকফম থোকই। অদুবু হীদাক কাপ্পবগীদমক লাক্লবা মীয়াম্না চয়োম শাদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্ত্রে, মসিনা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহনগদৌরে হায়বসু থোক্ত্রগদি পন্থদনা লোয়নমক কাপথোক্লবা হোৎনবা য়াদব্রা? মণিপুরগী লৈরিবসি অককুবা মীশিংনি। হৌজিক হীদাক কাপ্লিবা অসিসু চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওই কাঙলূপ্তুনি। চহী ৪৫ শুদ্রিবা খরা য়াওরগসু য়াম্বা নৎত্রি। অদুবু অককুবা ভেক্সিনেসন সেন্টর মশীং থম্বগী মথক্তা নোংমদা অসুক্তগী হেন্না কাপ্পা য়ারোই হায়রি। মসিবু তশেংনমক কোবাক্সিন অমসুং কোভিসিল্ডগী দোজশিং মরাং কায়না লৈতবদগীরা? অমরোমদনা চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবদগীনা চহী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগীসু হৌজিক কাপ্লিবা অসিদা অমমম অনী-নি য়েপশিন্নবগী ৱানি। পাক শন্না কাপথোকপগী থবক হৌদ্রি। মে ১, ২০২১দগী হৌগদবনি হায়, হৌজিক থাখায় য়ৌশিল্লক্লে হৌদ্রি। মসিনা করিগীনো? নাকল অমরোমদনা নুংতিগী পোজিটিভ ওইরকপগী মশীংদি হন্থরক্ত্রিবা ঈশিং ঈচাওগী ফীভমগা মান্নরি। শিবগী চাংসু ৱাংলি। অদুগা হীদাক কাপ্পগীদমক্তদি হান্না এনরোল তৌগদবনি, কনফার্মেসন তৌগদবনি’কা হায়বা ৱাফমসিবু লোইনমক তুরা তুনা পোজিটিভ ওইমিন্নদুনা পুল্লপ শিমিন্নরসি হায়রিব্রা? হীদাক কাপথোকপগী থবকসিবু ঙসিগী, হয়েংগী হায়দুনা খাই খাইদুনা তৌবা য়াবা থবক্লা? মসিগী থৌওংসি চুমদে। হোংদোক্লগা হীদাক কাপথোকপা য়ারে হায়বশিংদি পন্থদনা প্রপ-প্রপ কাপথোকউ। থৱায় য়াওনসু হোৎনরগা ওপরেসনদি মায় পাক্লে, অনাবদি শিরে হায়বগী থৌদৌদুদি তাহনগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) “মণিপুরী লোকসাহিত্য” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) “পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওম্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিংগে?” শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) “নোংখোঙ তম্না” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) “হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) “ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।” শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চেঙ য়াওদনা হিংবা য়াহনবীরো, হে লাই

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



চেঙ! চেঙ! চেঙ! চেঙমুক কিবা লৈতে। চেঙ য়াওদনা হিংবা শুকয়ামক য়াদে। চেনবাক চারগা হিংবা য়াবা নত্তে। য়েনীং থাগী অশং-অমান, উনা-ৱানা য়েনীং হুনবা মতম, উনা-ৱানা মরাং কায়বা মতমনি হৌজিক। মদুনা চেঙগী মহুৎ শিল্লগা চাবা য়াবা ওইরম্মদি ফদৌবা? নোং তাবা হৌরক্লে, নোংগী ঈশিং থক্লগা মীনা হিংবা য়াবা হেক ওইরদি ফদৌবা? উনা-ৱানা, লেম্না ফংবা ঈশিং-মায়শিং অসিনা করিসু লৈত্রবা চেঙগী মহুৎ শিনবা য়াবা নত্তে। শা-ষণ, উচেক-ৱায়া, হামেং, শগোল, ঈরোই নত্তে মীওইবা! ঐখোয় চেঙ চাবা জীবনি।

অসুক দরকার ওইখ্রবা চেঙ হায়রিবা পোৎশক অসি মী খরগীদি মরাং কায়না লৈ, মী খরগীনা নোংমা নোংমগী থবক শূরু নোম্লুরগা মদুদগী ফংলকপা শেল অদুনা ৱাল্লগা চাবা মীসু য়াম্না লৈখ্রে। নোংমগী শূদবা য়াদবা, তান্দবা য়াদবা চেঙ ৱান্দবা য়াদবা মীনা মশীং হেল্লক্লবা লমদমনি। মশা খরা নাল্লগা, মফি খরা নাল্লগা, পোৎয়েং চাউনা পীরগা মী অদু শোয়দনা নুংঙাইরবা, ৱাৎত-পাদ্রবা মী অমা ওইনা উবা লানগনি। মণিপুরগী মী অয়াম্বা মপান্থোংদা লায়রবা উৎপা ইকায়জগনবা মীওই কাঙলূপশিংনি। মতৌ মালহনবা, শেল পায়বা মালহনবা অসি চাকখুম মৈ মুৎলফাওবা খঙহন্নপোৎ নত্তে। মী খরগীনা লৌ লৈ, মদুদগী লোকপা ফৌনা চেঙ ওন্থোক্লগা চাবা মী খরা লৈ। মী খুদিংমক লৌ লৈত্রে, ফৌ লৈত্রে, চেঙ ৱাল্লগা চারে। ফৌ-চেঙ খরা লৈবা মীনা ফৌ চেঙ মী খুদিংমক্লা ৱাৎপা কৌবা লৈরম্মরোইদৌগুম অদুম খন্নে।

হৌজিক ঐসু থাগী লেপ্তুনা শেল খরা খরা ফংজৈ অদুনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মনুংদা শেলগী অৱাৎপা অমত্তা লৈজদে। য়াল্লবসু য়ামদ্রবসু শেল খরা ইমিৎতা উজরবনিনা মী অতৈসু মখূৎতা শেলগী অৱাৎপা লৈরমনি হায়বা শুকথা থাজদে। ঐদৌনা লোয়না শেল পায়রমদৌ মাল্লি। নহালৱাইরমদি ঐগী থাগী শেল য়াম্না ফংলম্মী হৌজিক্লা খরা অমুক হন্থরে। য়াম্না ফংলিঙৈ খোঙ খরা শাংলিঙৈ মতম অদুদা ঐনা মী লোইনমক ঐনা মতমদুদা পায়রম্বা শেল অদুম্মাইনা পায়রমদৌবা মাল্লি। হৌজিকসু ঐ নত্তবা মীশিং অসি ঐনা শেল পায়জরিবা অসুম্না পায়রমদৌবোইনা খল্লি। ঐনা পায় হায়জরিবা শেল অসি অতৈ করি অমত্তা পায়বা শেল নত্তে। ঐগী ইশেলনুপা শেল য়াম্না পায়বা অমা লৈ। মানা থা থাগী খরা খরা পীবীবনি। হৌজিক্তি কোভিদ-১৯ হেক লাকপদগী শেল খরা খরা য়াম্না পীরম্বা অদু তোকখ্রে। হৌজিক্তি থাগী লুপা লিশীং অনী/অনীদগী হেন্না পীবিরক্ত্রে। হান্নদি লুপা লিশীং মঙা/মঙা লোইনা ফংবা মাল্লম্মী। অদুগা হৌজিক্লা থাদা লুপা লিশীং অনীদং অমুক ফংলবনিনা মীশিং অসি থাদা লুপা লিশীং অনীদা হন্থরগা ফংলমদৌবা অমুক মাল্লে।

থাদা লুপা ক্রোর-ক্রোর তানবা নুপা অমনা মণিপুরগী মীপূম খুদিং মহাক্তৌনা থা অমদা লুপা ক্রোর-ক্রোর কয়া তানবা ঙম্বোইনা অমুক খন্দৌরিবনি। নোংমদা লুপা লাখ-লাখ, ক্রোর-ক্রোর তানবা লাইবক ফবা নুপা অমনা মীপূম খুদিংমক মাদৌনা লুপা লাখ-লাখ, ক্রোর-ক্রোর তানবা ঙমলমদৌবোই অদুম খল্লমগনি। মীগী ৱাখলনা মী অমগী ৱাখল অদু চিংশিল্লগা খনবা ঙম্বা, খাঙবা ঙম্বা হায়বা অদুদি ফিলোসোফর অমদি লাইরিক লাইশু ইবা! সাইকোলোজিষ্ট অসিনচিংবা খরনা ঙল্লমগনি। ইচম চম্বা করিসু নত্তবা নুপা অমনা নুপী অমনা হেক্তমক মদু উশিনবা ঙম্বমক নত্তে। মচিন্দা মখাদা মী নুংশিবা শাদুনা পংঙাঙ ঙাঙবা ৱা অদু ঐখোয়না অশেংবা ওইরবোই নীংদুনা তারগা খূবাক খূবা অদুনা ৱা অমনি।

চেঙ! য়ূমদা ফমদুনা লৈরগা-চেঙনা মখোঙনা থোংনা য়ূমদা লাকপা হায়বা অসিবু ওইথোক্কদ্রা? চেঙ হায়বসি মীনা লেম্না পীবিরগে হায়বরা নৎত্রগা য়োনবীরগে হায়বরা অমদি তৌবা তাই। চেঙ অসিসু শেল য়াওদনা ফংবা পোৎ অমসু নত্তে, শেল লৈরগসু য়ূমদগী থোকপা য়াদ্রবদি চেঙ অদু ফংবগী ৱা লৈতে। অদুবু চেঙ অদু য়াওদনদি হিংবা য়াদে। মী খুদিংমক থবক শূদবদি য়াই চাদবদি য়াদে হায়বা ৱাফমদু নীংশিংবা তাই। চেঙ ফংনবা লাক্লবদা য়ূমদা লৈবা য়ারক্তে। কোরোনা মহীক কিরক্তে। কোভিদ লায়না থওইরক্তে। মখোয়না চেঙগীদমক মপান্দা থোরক্লবনিনা এস ও পি ঙাক্তবা অদুম হৌরে। মসি চেঙ কৌবা পোৎ অসিনা থোকহনবনি। লৈঙাক্লা মী অমদা থা অমগী চেঙ কেজি মঙা পীনি হায়। মদুসু অমুক শুনা পীগা পীদেগা পাউচেদা শাবাক হেক্তা ফাকই। মণিপুরগী মী অমনা থা অমদা চেঙ কেজি কুনমঙা/কুন্থ্রা য়ৌনা চারমদৌ মাল্লি, খরা তারম্বসু য়াই, অদুগা থা অমদা চেঙ কেজি মঙা পীবা নৎত্রগা মদুদগী তানা পীবদি মীদু হিংবা য়াগদৌরিব্রা? ইমুং অমদা লৈবা মী মশীং শুনা পী হায়বসু নত্তে, লায়ররবসু চেঙ লৈত্রবসু নফসাগী কার্দ পায়দ্রবদি চেঙদু অমুক পীদ্রি? চরা হেন্দুনা ৱানা খাঙলিবা মী অদু নফসাগী কার্দ পায়দ্রবদি চাক পীজদবা তারব্রা? হায়রিবা কার্দ অদুসু হেক্তা ফংবা য়াবা পোৎ অমসু ওইদ্রি।

কোভিদ মনুং অসিদি চেঙ ৱানবসু ফংদা, ফ্রীদা ফংব্রা হায়সু ফংদা, য়ূমদা য়োনবা লাকপ্রা হায়সু নৎতা, লৈবা চৎকেসু কর্ফিয়ুনা য়াদগুম তৌ, দুকান হায়রসু হাংদগুম তৌ। চাদবদি য়াদা, সিবু করিনো? ●

# হিংবা পাম্বরা, হিংবা ঙমখিদরা

নবকুমার ওইনা

মালেমসিদা ঐখোয় মীওইবনা তৌরিবসি করিনো? হিংবা পাম্বগীরা, অঙম তান্নবগীরা, হাত্তোক্লরিবনা করিগীনো। ঙল্লে হায়রিবা লৈবাকশিংনা তৌরিবসিনা মচুল্লব্রা? মখোয়নবু করি তৌরিবগে, মশাগীতা তৌবা নত্তবরা, অঙম্বা মখোয় মতেং পাংনরি। খোঙখাদা নেৎলগা লৈরবশিংগী তাবিবা নৎত্রি।

লাংদা থুরবা খুনুশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অদু মীওইবা ঐখোয় খরনা লৌবা ঙমজদ্রি। ঐখোয়দি নাম্থোকপা ঙল্লরোইদবা ওইনা থাজনরে হায়বসু য়াওরি। নাম্থোকপগী ৱাবু খন্নদ্রি, মিরাংগী মপু শারগা মদুদা থুরকপা কাং-হয়িং চারগা নিংথৌ শাজরগা নুংঙাইবা ঙমজরিবা খরগী খুদুং ইন্নদুনা লেনবসু য়াওনরি। মরকসিদা অমনা তৌবদু অমনা অখঙবা শারগা পাউ তম্নরগা পংনুংদা নুংঙাইজবগী তাইবঙ অমদা লেন্নবসু মাল্লক্লি। ফজবদি ৱাৎপা ৱাহৈদা, অচৌবা শারগা নাপলদা ঙাওনরি হায়বা য়ারি। থাগৎপদা হরাওনরি, মীংচৎ তানবদা পুন্সি মাঙনরি, কান্নবা কান্নদবা পাউতাক পীবদি লেপ্পদে। চুম্বা খঙদে লানবা খঙদে মানা মানা খঙবদুনি লাওনরিবা, ঙাঙনরিবা। মী পুন্দ্রবসু ৱাখল্লোনশিংদু পুল্লবদি য়ারিবনি, ৱাখল্লোন পুল্লি হায়গনি মীদি পুনবা ঙম্নদে। মী মঙা-তরা পুল্লগা ৱাখল্লোন পুনবসু উদরি। লমহুইদৌনা মানা মানা ঙম্বা মায়কৈদা ষণ-মউন চিংবগুম চিংনরি। ফম পায়দ্রবদি ৱা ঙাঙবা ফংদবগী লুপ শেম্বা তোক্তবা, লুপ য়াংখৈ-চাম্মদা য়াওরক্লবা খরনা ঙাঙবসু তোক্তবা, ঙাঙদবা য়াদে খনবা ময়াম অমসু য়াওশিল্লক্লিবনি হায়নরি। মসিবু করিনো, থবক তৌরি হায়গদৌরিব্রা? মীওই খরনা হায়রগা মীওই খরনা ইরগা মীয়ামগী ৱারেপনি হায়বদি য়াদে। ঙাঙবা য়াবা ঙাঙনরে, লাওবা য়াবা লাওরম্লে, মদুনা ওইবা ঙল্লক্তরে। লূপ অমা শেন্নগা মেমোরেন্দম পীবদা ওন্থখ্রে। চে ওইনবু নমশিনখ্রে, ৱাখল্লোন্দু লুবাক মনুংদা হাপচিনখ্রে। মীরৈবাক্তনা মীয়াম্না লাখ-লাখ থোক্লক্লগা ৱাখল্লোন্দু লম্বীদা লাওগনি, থৱায় ফাওবা থাদোক্লবা ঙম্নরি। ঐখোয়গীনা ঐখোয় ঙাক্তা মুক্লরগা হাত্তোক্লবা ঙম্নরি। অমনা অমদা পাউথংনরি, ৱাখল্লোন্দু খঙবা ঙম্নদ্রগা লম্বী লান্না চৎখ্রবনি হায়বা ফাওবা ঙম্নরি। মচানি-মশুনি হায়বা ফাওবা কাউখ্রবগী ৱাঙাঙ য়াওনরক্লি। শেল তানবা য়ানবা, পৱার পায়বা য়ানবা অঙম তান্নবদা লৈঙাক ফাওবা শীজিন্নবা ঙম্বগী থাক অমা য়ৌশিল্লে হায়নরবনি। কদাইদগী লৈবাক খুন্নাই অমগী লৈঙাক অমা শেংনা শেম্বা ঙল্লদগে। ঙমদ্রিবসিনি, ঙল্লবনি খনবা য়াওনরিবসিনি লুরিবদি।

ভোট লেপকদৌবা মীসিদি (হায়দি হায়নীংদবনি) চুম্না মমানা পোকপা ওইরোইদৌবনি। অদুদি কনা ওইগদৌরিবা? মমা-মপা ফাওবদা নুংশিরোইদবনি (থল্লম্বা লৌ-শিং, দুকান্দু য়োনবা ঙমগদৌবা), মরী-মতা খঙলোইদবনি, মীয়ামসি শান্নপোৎকুম খনবা ঙমগদবা, নুপী লোনবা হৈগদৌবা, থিকা তৌগেরা, দ্রগ লল্লোনগেরা, পৈশাদি পায়দবা য়াদবনি। পায়দা পায়দ্রগনা মীগী গাড়ী, লৌ, ইঞ্জোল বনধান থম্বা ঙমগদৌবনি। মখোয়না ‘ঐখোয়’ হায়বগা ঐখোয়না ‘ঐখোয়’ হায়বগা মান্নরোইদৌরিবনি। ঐখোয়না হায়বদা ঐখোয়গী ইচা-ইশু য়াওগনি, মখোয়না হায়বদদি য়াওদবদুনবু ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংগী থবক হাপ্পদা শেল চারিবনি।

শেল পায়রগা কৈদৌগে হায়বনো? ভোট লেপকে হায়নরে। মীংচৎ লল্লোনবা পাম্বরা, লৈঙাক্তা ফাওরম্বা কনা কনাবু কয়াম কুইনা মীয়াম্না নীংশিংনরিবগে? লৈঙাক্তা য়াওবশিংনা নীংশিংনবা হোৎনৈ, মিতম ফাওবা পংশাদা শাগৎনরি। উফুল কারগা কনানো হংলুদবা য়াওরক্লবনি। লৈকায় অমগী অঙাংশিংনা ফাওবা খঙদবা য়াওরক্লে। খুন্নাইদু হিংলি হায়গদৌরিব্রা, হিংবা পাল্লবসু হিংবা ঙমখিগদরা। অঙাওবা অমা অনীনা পুৱারীবু সলাক শাহল্লে, মীওই কয়া অমবু মপা-মপু লৈরক্তবা, মী নত্তবগুম্না উহল্লে। লো অমত্তবু অচুম্বনি হায়বা লৈরক্ত্রে হায়নরে। অকনবনা অরিংবা শকপা হায়বসি ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লৈরে। শা-কৈনা অঙম অঙম্বা হাৎনবগী শারমচত্তু ঙসি ফাওবা থাদোকপা ঙম্নদ্রি। কোয়চৎ চৎলগা মপাগী মপুগী মিতম খিল্লুবসু য়াওরক্লি। মসিবু হিংনবগী লম্বীরা খন্থবদা লাম্বা ফংনদ্রি।

ৱাখল খূৎখল-খূৎখলদুগী মরম তোঙাল্লি। ৱাখল মান্নে হায়রগা থবক মান্নদবা ময়াম লৈ, শৌকনিগী থবক খূৎশু মাল্লকপসু লৈ। লৈঙাক্লা শেম্বা শাবা অমত্তা কুইনা চৎলুদ্রবনি। থৈরগা পুখিবসু য়াওরিবনি, মুল্লগা লৌখিবসু লৈরিবনি, লৈবাক খুন্নাই অমবু মুনবা ঙম্বনি খনবসু য়াওরক্লিবনি। মসিদবু মুক্লা কাংজৈগুম্না করিসু উদনা ফি পংতাদা তাখৎনবনা ৱায়েন অমা পুরকপদি থাজরোই। শেল পায়রে খঞ্জবশিংসি মমা লৈবাক খঙদবনা অয়াম্বনি। ৱাহৈদা খরা হায়শিন্নবগী ৱাতনি। মখোয়গীদি শেলনা মরুনি। খূৎ খুদোম্বীনা ফাওবা শোক্লুবা য়াদ্রবা লমদু ইমা লৈবাকনি হায়না কপচরিবনি, অমনা কপ্পা উরগা অমনা নোকপা ঙম্নরবনি, হাৎনবা ঙল্লবনি। নীংতম্না চৎপা য়াদ্রবা, নীংতম্না চাবা য়াদ্রবা, নীংতম্না থকপা য়াদ্রবা, নীংতম্না লৈরুবা য়াদ্রবা (চীংদা), নীংতম্না পোৎ লৈবা ঙমদবা, নীংতম্না পোৎ য়োনবা য়াদ্রবা, নীংতম্না ৱা ঙাঙবা য়াদ্রবা, নীংতম্না লাই খুরুম্বা য়াদ্রবদি কদায়দা নীংতল্লি হায়গদৌরিবনো? দ্রগ চারিবসিগুম্না নীংতম্বগী নিষা চারিবশিং (লৈঙাকপা য়াওবশিং) এদিক্ট ওইরবনি, কনানবু হেল্লিবগে? পৈশা য়েল্লগা ভোট কাগনি হায়বসি নিষা অমনি, মী কিবা নত্তে। ক্বালিফিকেসন পংহায়দা হায়জিনবা য়াওরল্লিবনি। মীমাং পুমাং খঙবা নত্তে, ফি থোংদ্রবগুম্বনি, দ্রগ খূৎচা খূৎচাদুগী ৱাতনি। শা তান্নবগুম অমনা অমা তান্নরগা কোর্ট য়ৌনরক্লি, ভোট কাববু মহুৎ শিনবা ঙম্নরবনি, মালেমদা অতাঙবা থৌদোকনি, ৱর্ল্ড রেকোর্টতা য়াওরক্লগনি। করি হৈবনি হায়গদৌরিবনো?

লৈঙাক্তা পংতায়দা তায়নবসিগী মমাঙদা চুংশিন্নবা অমা চঙলি। মদু পুরক্লবা পূন্না ঔরায়মিন্নবা চঙই, ৱা খন্নবা য়ানবা খঙমিন্নবা তারক্লি। ৱাৎলিবদি মদুনি, মদু খঙদ্রবদি ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমখিরোই। থাক অদুদা পেন্দলুমগুম্না হাইদুনা লৈরি, ঘড়ীদি চৎত্রি। লৈঙাক্তা চৈরগা লেনবসিনা পুন্সি শিন্থা লোইরদরা? থবকনি হায়বা অমা তৌরি হায়রগা ৱাখল খনবা লোইরবরা? য়ূম ফজবা অমা শারগা, গাড়ী ফজবা অমা তোংলগা কয়া কুইনা হিংবা ঙমগদৌরি, চারোল কয়া হিংবা ঙমগদৌরি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও ফাওবা ঐখোয় য়াম্না পঙখি, ইরাল লৈতবা ঐখোয়গী লমদা লানবুং ওইহনখ্রিবনি। ঙসিসু করি অমত্তা তৌবা ঙমদনা ইমুং মনুংদা পংখত্তা খৎনদুনা লৈরি। মদুসু শেলদা ঙাওবশিংনা অয়াম্বনি। মরৈবাক নীংবশিংদি লায়রগনি, থবক ঙল্লোই, ৱাখলদতা নীংবা মরীলদি তনবা ওইগদৌরি। শেল খায়বা হৈরগা, লম্বী থৎপা হৈরগা, লৈবাক নীংলবনি হায়বদি মীয়াম্না য়ানরোই, ফজদে হায়গনি। ফজবগা কান্নবগা শম্নদে, অনীদু খন্দোকপবু ঙম্নদ্রি।

লাইগী মচা মশুনি হায়রিবশিংসি লাইনি, অতোপ্পা নীংদুনা লৈবা য়ারোই। লাই শাবা অমনা হায়রকপা ঙাইদুনা লৈবসু য়ারোই। লাই নীংবশিংদি মরীল তনগল্লি হায়নবসু লৈরিবনি, থবক্লা লাইনীংনি হায়না চুমথোক্লরিবনি। শিরগা লাই ওইবগী মহুত্তা হিংলিঙৈদা লাই ওইবা ঙম্নগদৌবনি। ঙম্বা মী লৈরবনি, তুং ইল্লগতা লৈগদৌবা নত্তে। লাই ওইগে হায়রবদি তনবা য়াদে, লাই ওইবা তল্লিবা করিগী লাই ওইগে হায়রবদি অচুম্বা চৎপা ঙমগদৌবা, হৈনদ্রিবা করিগীনো? লাই ওইনীংদবগীরা, লাইদি নীংশিন্নে, লাই ওইবদি ঙমদনা নীংশিন্নরিবা করিগীনো? লৈবাক নীংবা হায়বগা মান্নশিল্লকই, নীংশিন্নবা মাল্লকই। থবক শূরিবা শিন্মীশিংনা মরৈবাক নীংবা হেল্লি হায়গনি। শেন্দোংগীদা লৈঙাক্তা য়াওরিবশিংনা শিন্মীশিংবুসু লল্লোনবা ঙল্লিবনি। ভোট লৈরগা শেন্দোং তানখ্রিবনি। হিংনবনি খল্লিবনি।

মীপান তাংদ্রবদি হিংবা ঙল্লোই খলহল্লে, মদুদা থাজহনখ্রে, থাজরে। থবক শূনীংদবগী থাজখ্রিবনি। লল্লোনবা মীদি থবক শূনীংদে, অদুনবু হংলাই হায়বা য়াওরক্লিবনি। লং চিংবদুতা ঙাইদুনা লৈগদৌরিবনি। হংলাই হংলাইদি হায়গনি, হৌগৎলগা হংলাইদুগী মহুৎ শিল্লুবদি ঙমদে। মদুসু লৈঙাক্তা তায়নগে হায়রিব্রা? ইঞ্জোলদা ষণ চঙবসু মী নেক্তুনা লৈ, থৌদাবনা য়ারোই হায়বা খঙদ্রবদি হিংবা ঙল্লোই হায়বনি। শূদনা চাগে হায়বসি হিংলগে হায়বা নত্তে, মুৎচখ্রগদৌবনি। থবক শূবদগী লল্লোনবনদি শেন্দোং ফংবা হেল্লি, হিংগদৌরিব্রা? ●